# মীখল চীংখক্তদা পাঙথোকপরা?

## হোম মিনিষ্ট্রিগী চীংগী খোঙচৎ চিংননীংঙাইনি

থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা মণিপুর বীধান সভাগী মীখল অসিদা চীংগী দিষ্টিক্টশিংদা মীখল নিয়ম চুম্না পাঙথোকহন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যার্সকি স্পিসিয়েল সেক্রেটরি (ইন্টর্নেল সেক্যুরিটি), অজয় চাধা, স্পিসিয়েল দিরেক্টর, ইন্টেলিজেন্স ব্যুরো, আর এন রবী অমসুং জোইন্ট দিরেক্টর, এস আই বী, ঐচ এন মিশ্রা হায়রিবা ওফিসিয়েলশিং অসিনা শবা টিম অমা ঙরাং ষ্টেট অসিদা থুংলরিবা অসি চিংননীংঙাইনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি ষ্টেট অসিগী চীংগী এরিয়াখক্তদা পাঙথোক্কদবা নত্তে, তম্পাক্কি এরিয়াশিংদসু পাঙথোক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা করিগীদমক্তা হোম মিনিষ্ট্রিগী টিম অসিনা চীংগী এরিয়া খক্তদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লিবনো হায়বসি হংনীংঙাই ওই। অমরোমদা লাক্লিবা টিম অসি মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনিগী লালহৌবগী ঈরাং, নাগালিমগী ইশু অমসুং ষ্টেট অসিগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগৃটিগা মরী লৈনবা ফোঙ ফোঙ শারিবা ৱাথোক কয়াগা হকথেংননা মরী লৈনবা ইন্টেল্লিজেন্সকি মীওই ঙাক্তনি। মীখলগী স্ক্রুটিনি লোইদুনা চীং অমসুং তম অনিমক্কী মীরেপ ২৯০না মীখল থেংনবা য়ারগনি হায়না ষ্টেট অসিগী ইলেক্সন দিপার্টমেন্টনা লাউথোক্লকপগা মপা চপ চান্নবা ইন্টেল্লিজেন্সকি ওফিসিয়েলশিং অসিনা তহা তহা লাক্তুনা নাগালিমগী অকনবা ঈরাং লৈবা উখ্রুল, তমেংলোং, চান্দেল অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দি সি, এস পি, বী এস এফ, সি আর পি এফ অমদি আর্মিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নরবা হায়বসি করিগুম্বা অরোনবা এজেন্দা অমগা লোয়ননা লাকপা ওইরম্লোই হায়নীংঙাই লৈত। মীখল নিয়ম চুম্না পাঙথোকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি  কন্সটিট্যুস্নেল ওথোরিটি ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মথৌনি। অসিগুম্বা ই সি আইগী রেস্পোন্সিবিলিটি অমসুং জুরিসদিক্সন অসিগী ৱাংমদা হোম মিনিষ্ট্রিগী ইন্টেল্লিজেন্স টিম অসিনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা ইথিল পীনবা হোৎনরম্বা তারবদি মদুনা ই সি আই গী কন্সটিট্যুস্নেল ষ্টেটসতা শীংনবতা নত্তনা ষ্টেট অসিগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগৃটিগা য়াম্না চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। ৱাফম অসি খঙনা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হোম মিনিষ্ট্রিগী টিম অসিগী মথক্তা অথুবা মতমদা ই সি আই দা ৱাকৎপা চুমগনি। মীখলগী মীরেপ লাউথোক্তুনা ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরিঙৈগী চৈরক অসিদা করিগীদমক্তা হোম মিনিষ্ট্রিগী টিম অসিনা ই সি আই গী মহুৎ শিন্দুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী সিভিল, পেরা-মিলিটরি অমসুং আর্মি ওথোরিটিশিংগা উন্নরগা মীখল নিয়ম-চুম্না পাঙথোকহন্নবা ব্রিফিং পীরিবনো, থৌওং অসি ইলেক্সন কম্মিসন্না অয়াবা পীরব্রা হায়না হংফম থোকই। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা, মরুওইনা হোম মিনিষ্ট্রিনা কনাগুম্বা চীংগী লালহৌলুপ অমনা থাদোকপা পার্টিগী মীরেপশিংবু মীখলদা মায় পাকহন্নবা নাকোয়ননা ঈথিল পীবা ওইরম্লবদি মদু লৈবাক অসিগী ফেদরেল ষ্ট্রকচরগী মায়োক্তা চত্থবা থবক ওইগনি। সেন্টরদা শাসন তৌরিবা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুপিএ গভর্নমেন্টনা ও বী সিগী রিজার্ভেসন কোটা চাদা ২৭ কি মনুংদগী মুস্লিমশিংগী সব- কোটা চাদা ৪.৫ পীরগনি হায়না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মাঙওইননা লাউথোকখিবদা ই সি আই না সেন্টরগী ৱারেপ অদু মীখল অসি লোইদ্রিঙৈ থা অনি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপদা অথিংবা থমখি। অদুবু হন্দক হোম মিনিষ্ট্রিগী টিম অসিনা তম্পাক্কী নোংমৈ অমসুং বোম -তোপ মরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিংবু তুংওইনরগা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীখল নিয়ম চুম্না পাঙথোকহন্নবগীদমক্তা ই সি আই গুম্না টুর চৎলিবা অসিদি ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরবা মতুংদনি। হোম মিনিষ্ট্রিগী করম্বা, য়াম্না মরুওইবা ইন্সত্রক্সন অমা পুদুনা লাক্লগা ইন্টেল্লিজেন্স টিম অসিনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা পাউতাক পীরিবনো হায়বদুদি কনানশু খঙনদ্রি, অদুবু অদুগুম্বা ইন্সত্রক্সন অদুনা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগৃটিগী তুংগী লাইবক্তা অফবা ওইগনি হায়বসিদি থাজবগী ৱাংমদনি।